# ভিন্যু মনকদ ত্রোফি ২০২৫-২৬ঃ মণিপুরনা মিজোরাম থোইরগা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংনা লৈবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): যুনিয়ন টেরিটোরি ক্রিকেট এসোসিএশন চান্দিগরনা শীন্দুনা চান্দিগরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট গ্রাউন্দ ৩দা বি সী সী আই টুর্নামেন্টকী শরুক অমা ওইনা হৌজিক চথরিবা ভিন্যু মনকদ ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরাম থোইরগা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংনা লৈবা ঙমখ্রে।



মণিপুরগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি মিজোরামগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা মণিপুরনা মিজোরামবু রন ৮৭তা থোইরগা পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ১২ ফংলগা মকোক থোংনা লৈবা ঙমখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস মণিপুরনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। মণিপুরনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম কেপ্টেন থোইবা অমসুং লকিনা ওপন্নরশিং ওইখি।

ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা থোইবনা শুপ্নতংগী বোল অমা মায়োক্নবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। অতোপ্পা ওপন্নর বেটসমেন লকিনা বোল ১৩ মায়োক্নবদা রন ১২ লৌরগা দোঙাগী বোলদা আউট ওইখি। মখোয়গী মতুংদা থোরকখিবা বেটসমেন সৌগাইজম অমসুং জমিরনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোল্লরশিংনা চথরকখিবা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং মায়োক্নদুনা শান্নবা ঙমখি। সৌগাইজমনা বোল ৫৩ মায়োক্নবদা রন ৩২ অদুগা জমিরনা বোল ৭৯ মায়োক্নবদা রন ৫৬ লৌরগা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা মণিপুরগী বেটসমেন থোমসননা বোল ৪৩ মায়োক্নবদা রন ১৭, রেননা বোল ৪৪ মায়োক্নবদা রন ২৪, দানিসনা বোল ১৭ মায়োক্নবদা রন ২০ অদুগা লিওলিননা বোল ২১ মায়োক্নবদা রন ১৪ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহনবদা অমুক্কা হেন্না মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৪৭.৫তা মণিপুরগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা পুন্না রন ১৯৮ লৌবা ঙমখি।

মিজোরামনা টার্গেট রন ১৯৯ লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা মপুইয়া অমসুং পেকানা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন মপুইয়ানা বোল ২৯ মায়োক্নবদা রন ১৫ লৌরমখি। অদুমওইনমক অতোপ্পা ওপন্নর বেটসমেন পেকানা বোল অনী মায়োক্নবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা দক চারগা ফিল্ডদগী মপান থোরকখি। মখোয়গী মতুংদা থোরকখিবা মেটচসমেন্ট ভালপুইয়ানা বোল ৪৪ মায়োক্নবদা রন ২৮, মাল সোম মুৱান জেলাননা বোল ১১ মায়োক্নবদা রন ১১, দোঙানা বোল ৩১ মায়োক্নবদা রন ১০ অদুগা জোদিনানা বোল ৪০ মায়োক্নবদা রন ১৭ লৌরমখিবা অদু নত্তনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওভর ৩৮.৫ লোইরকপদা মিজোরামগী ওল আউট ওইরগা রন ১১১দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু রন ৮৭তা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

প্লেদ গ্রুপকী ওইনা মণিপুরনা পোইন্ট ১২ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংনা লৈবা ঙমখিবগা লোয়ননা সিক্কিমনা পোইন্ট ১২ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

# খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ৪৪ রক শুবা ষ্টেট লেভেল মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএশন (এম এম এ এ)না শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ৪৪ রক শুবা ষ্টেট লেভেল মণিপুর মষ্টর্স এথলেটিক মীট ২০২৫ হৌদোকখ্রে।



এথলেটিক মীট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এম এম এ এগী পেত্রোন মেম্বরসু ওইরিবা রিমসকী মীদিয়া এদভাইজর নাওরোইবম ফিলিপ, এসোসিএশন অসিগী পেত্রোন মেম্বর লোয়ননা হেরোজিৎ জ্বেলরিগী প্রোপ্রাইটর আই হেরোজিৎ অমদি এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্ট লাংপোকলাকপম য়াইমচৌনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এল হেরোজিৎনা ফোঙদোকখিবদা শান্ন-খোৎনবনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী অমদি নুংশিননা লৈমীন্নবদা অচৌবা মতেং শোয়দনা ওইরক্কনি। মসিদসু নত্তনা শান্ন-খোৎনবনা মীওইবা ঐখোয়গী হকচাং ফনা থম্বগা লোয়ননা পুক্নিং ৱাখল নুংঙাইথোক্না লৈহনবসু ঙমগনি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএশনগীদমক অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা চহী কাঙলুপ ৩০দগীনা চহী ৯০ ফাওবদা লৈরিবা নুপা এথলিট ১০৫ অমদি নুপী এথলিট ৯৫ পুন্না এথলিট ২০০ রোম্না শরুক য়াদুনা অথোয় অহেন তান্নরি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ওইনা নুপা অমদি নুপীগী মিটর ৫০০০গী ৱাল্ক রেস, মিটর ৮০০গী লমজেল, মিটর ৪০০গী লমজেল, মিটর ১০০গী লমজেল, শোর্ট পুট, লোংজম্প অমদি জেল্লিন থ্রোগী কম্পিটিসন পাঙথোকখি।

জেল্লিন থ্রোগী নুপী কাঙলুপকীদা টি ঐচ দাসু, টি য়াইমবি, টি ঐচ কুঞ্জরানি, এ মাঙ্গোলঙানবী, এম তরুবি, এম রোগিতা, টি লেনা, এল শুশিলা, দল্লিয়ু রোমা, ৱাই জয়শ্রী, ই ববিনা অমদি টি ঐচ মালেমঙানবীনা মথংশিংনা চহী ৯০, ৮৫, ৮০, ৭৫, ৭০, ৬৫, ৬০, ৫৫, ৫০, ৪৫, ৪০ অমদি ৩০ মথক কাঙলুপকী অহানবা মফমশিং কন্দুনা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি লোয়ননা নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলদা ৱাই ইবোহনবী, এস নবকুমার, লেপু কোম, এস মোটিলাল, এন মনিথোই, গোবিন্দ প্রসাদ সাহু, এম সঞ্জিৎ, এম দি য়াহিয়া খান অমদি এম দি হিমদ খাননা মথংশিংনা চহী কাঙলুপ ৮০,৭৫, ৭০, ৬৫, ৬০, ৫৫, ৪৫, ৪০ অমদি ৩০ মথক্কীদা ৱিন্নর ওইরগা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর লিশিং ৫গী ৱাল্ক রেসকী নুপা অমদি নুপীগী অথোয় অহেন তান্নখিবদা এস থোইবা, ৱাই রোজেন, সৈদ রসিমউদ্দিন, এম দি অবাস খান, এল হাইমো অমদি এম দি অজ মির শাহনা মথংশিংনা চহী ৮০, ৭৫, ৭০, ৬৫, ৬০ অমদি ৪৫ মথক্কীদা গোল্ড মেদল লৌখি অদুগা নুপীগীদনা টি ইবেমহল, সলাম অরুনা অমদি ৱাই সোবিতানা মথংশিংনা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

# রাজমাটা জিজাবাই ত্রোফিঃ মণিপুরনা টামিলনাদু থোইরগা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): ছটিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা আর কে এম অশ্রমা গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১দগী হৌরগা চথরিবা ৩০ রক শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর রাজমাটা জিজাবাই ত্রোফি ২০২৫-২৬কী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা টামিলনাদু থোইরগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা মণিপুর অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল টিম অনীগী মরক্তা চেম্পিয়ন অসিগী ফাইনেলদা অকনবা লম্বা তৌনরগনি। ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা টামিলনাদুবু লাকচনা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মণিপুর টিমগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল ৪ অদু লিন্দা কোমনা মেটচকী ১৬ অমসুং ২১ শুবা মিনটতা অনী অদুগা ২৬ অমসুং ৪৭ শুবা মিনটতা দাংমৈ গ্রেস অমদি কে ঐচ ভুমিকানা অমমম চনখিবনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশননা শীন্দুনা চথরক্লিবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা টিম চেম্পিয়নগী টাইটল ২২ রক লৌদুনা পুৱারী শেম্বা ঙমখ্রবনি।

# সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগতা শরুক য়াবা ঙম্লোই হায়রি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮-দগী পাঙথোক্নবগীদমক শেম শাবগী থৌরাং তৌরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ অসি কাঙলোনগী ৱাংমদা শীনবনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ক্লব ৬না শরুক য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

পি এস দব্লিয়ু এ এস সঙ্গাইয়ুম্ফম, ৱাই ভি এ ৱাজিং, সী ৱাই এস এ খাঙবোক, সন্তোস এফ এ, দি এল সী হৈরোক অমদি সুসাল লাঙথেল হায়রিবা ক্লব ৬ অসিনা শীন্দুনা ঙসি ৱাংজিংদা লৈবা ৱাই ভি এগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ৱাই ভি এগী সেক্রেটরি দেভো লাইশ্রমনা হায়, দি এফ এ থৌবালদা এফিলিয়েট তৌবা ক্লব ২৪না হৌজিক হৌজিক এসোসিএশন অসিদা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩দগী দি এফ এগী থবক থৌরম খুদিংমক সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লিবনি। হন্দক দি এফ এ থৌবালনা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ অসি অস্ফাগী কন্দক ওফ রুলস ঙাক্তবা অমদি অয়াবা লৌরগা শীনবা ফুটবোল লিগ নত্তে। লোয়ননা হৌজিক ক্লব অমত্তা সী আর এস অমদি সী এম এস লোইদনা লৈরিবনি। দি এফ এ থৌবালগী অরানবা থৌওংশিং অসিনা মরম ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা লিগ অসি অনওথোরাইজ ওই হায়না লৌদুনা ক্লব ৬না শরুক য়াদনবা ফীরেপ লৌখিবনি।

# এন হোরিচোরোন সিংহ মেমোরিএল সব-জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরিগী শান্নবুংদা টিম ৭না শরুক য়ারগা ১৯ লক শুবা এন হোরিচোরোন সিংহ মেমোরিএল সব জুনিয়র বোইজ (অন্দর ১৫) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ হৌনবী মতুংইন্না এ জে এস এগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইদুনা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।



ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা সোনাপুর জি পি এস এনা কে এম ৱাই সীবু পাঞ্জল ৭০দা লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী সেন্টর রেফরিনা ইকবাল, এসিষ্টেন্ট রেফরিনা এমাজিং মানমৈ অমদি রিজার্ব রেফরিনা জি থিওপিননা ওইখি। হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা লালপানি ষ্টার ক্লব অমদি এল ই সী বাবুপরা লম্বা তৌনগনি।

ঙসি হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা এ জে এস এগী প্রসিদেন্ট এস মনিতোন অমদি এম প্রেমসাগরনা প্রসিদেন্ট অমদি ডোন্নর ওইনা দাইজদা ফমখি। পনবা য়াবদি, ঙসিদগী হৌদোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি জিরি কৈথেলদা লৈবা এল প্রেমসাগরনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপাবুংগী মীংদা কচ্চবা টুর্নামেন্টনি।

# অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অতিয়া এফ এনা নেসু এফ এ থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): পিশুম হাও গ্রাউন্দদা লৈবা মল্টি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা অহানবা সী ৱাই এল সী গ্রাসরুট অন্দর ১১ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী সেমি ফাইনেলগীদমক লাইন অপ তৌবা লোইখ্রে।



চীংঙামথক য়ঙ লার্নরস ক্লব (সী ৱাই এল সী) শীংজমৈ চীংঙামথকনা শীল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না কাঙলুপ মরি থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অতিয়া এফ এনা নেসু এফ এবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা গোল্ডেন এফ এ পেলেস কম্পাউন্দনা হিয়াই এফ এ লুৱাংশংবমবু পেনালটি শুটআউটতা পাঞ্জল ৫-৪দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখি। লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দগী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা আর এফ সী পাঙ্গৈনা দিঙ্কু এফ এ খাবৈশোইবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কৈশিং এফ এ কৈশামথোংনা সঙাই এফ এ ক্বাকৈথেলবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীরক্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

# ঙসিদগী ৩০ রক শুবা এল শঙ্গীতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ শান্নবা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোত্রিশননা শীন্দুনা টিম ৭না শরুক য়ারগা পাৎশোই পাৎ-২দা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ৩০ রক শুবা এল শঙ্গীতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ মখা তাবা মেটচশিং হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি হায়রি।

হায়রিবা দিভিজন ফুটবোল লিগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি সলাম জুবিনাইল ক্লব (এস জে সী) সঙাইথেল রোদ, য়াইস্কুল এথলেটিক ক্লব (ৱাই এ সী) য়াইস্কুল, কদাংবম অপুনবা নহারোল (কে এ এন) উরিপোক কাংচুপ রোদ, খুরখুল য়ুথ ক্লব (কে ৱাই সী) নোর্থ খুরখুল, সেকমাই কাংজৈবুং য়ুথ ক্লব (এস কে ৱাই সী ) অৱাং শেকমাই, সোসল য়ুথস ওর্গনাইজেসন (এস ও ৱাই ও) উরিপোক কাংচুপ রোদ অমদি বিরচন্দ্র মোমোরিএল স্পোর্টিং ক্লব (বি এম এস সী) তাওবুংখোকনি। হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবা মতমদা বি এম এস সী অমসুং এস কে ৱাই সীগী মরক্তা মেটচ শান্নগনি।


# শিন্মীশিংগী খুৎশুমল পীথোকপীয়ু

মণিপুর লৈঙাক্কী পৱার দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা কম্পনি অনী MSPCL/ MSPDCL অমসুং EDM শিন্মীশিংগী ২০২৫ সেপ্টেম্বর থাগী খুৎশুমলগা লোয়ননা ওক্টোবর থাগীসু পুন্না নিংঙোল চাক্কৌবা অমদি দিৱালিগী মমাঙদা পীথোকপীয়ু হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোইয়ি য়ুনিয়ন (MMEU) মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌজরি।

ষ্টেট অসিদা 24X7 পৱার সপ্লাই পীনবা অৱা-অনা থিদনা হোৎনজরিবা শিন্মীশিংগী খুৎশুমল থা খুদিংগী তাং ১০গী মমাঙদা পীথোকপীনবসু হায়জরি।

মথক্তা পঞ্জরিবা দাবী অসি অথুবদা থবক ওইনা পাংথোকপীরক্নবা MEEUগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা হায়জরি।

Sd/-
(O. Sanajaoba Singh)
Publicity Secy. MEEU

HL-P/3726/14







HL-B/9907/14




HL-B/9494/14


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1621**

**Martin Cupek (2058) - Pavel Podlesny (2048)**
**CZE-chT2F 1415 Czech Republic, 2015.02.22**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d3 d5 | 2.Nd2 e5 | 3.e4 c6 | 4.Qe2 d4 | 5.c4 Bd6 |
| 6.g3 Nd7 | 7.Nh3 Ngf6 | 8.f4 Qc7 | 9.Nf2 h6 | 10.Bh3 Nf8 |
| 11.Nf3 Bxh3 | 12.Nxh3 Bb4+ | 13.Kf1 Bd6 | 14.b4 Bxb4 | 15.Nxe5 N8d7 |
| 16.Rb1 Bc5 | 17.Nf3 O-O-O | 18.Nf2 Rhe8 | 19.Qd2 Nh5 | 20.Kg2 Rg8 |
| 21.h4 Nf8 | 22.a4 Ne6 | 23.Qd1 Nf6 | 24.Nd2 g5 | 25.hxg5 hxg5 |
| 26.Rh6 gxf4 | 27.Rxf6 Rxg3+ | 28.Kf1 Qe5 | 29.Rxf7 Rdg8 | 30.Rf5 Qg7 |
| 31.Qh5 Rh8 | 32.Qf7... | | | |

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1620 Solution :**

**31. Rd1** *The white rook deflects Black's queen away from protecting the square f5.* **Qxd1 32. e6** *The white bishop attacks Black's rook, which is defending the square f7. The white queen attacks Black's rook, which is defending the square f7.* **Rxg5 33. Qxg5+** *The white queen captures Black's rook, which was defending the square f5 and the square g7.* **Kf8 34.Qg7+** *The white queen attacks Black's king, which is defending the square g8.* **Ke8 35.Qg8#** *Back-rank mate*
*35.Qh8#Back-rank mate*
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com